## কংলা চঙবা য়াররোই

ইম্ফাল,জন্যুৱারী ২৪ ঃ ষ্টেট আর্কিওলোজি,গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী সুপরিন্টেন্দেন্টনা ঙসি থোকখিবা নোটিস অমদা রিপব্লিক দে সেলেব্রেসন, ২০১৫গী য়েংলগা হয়েং জন্যুৱারী ২৫দা কংলা মনুংদা চঙবা য়াররোই, চঙফম থিংজিন্দুনা থম্লগনি হায়না খঙহল্লক্লি। ষ্টেট আর্কিওলোজিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট কে দিনমণিনা ঙসি থোকপা অতোপ্পা ওর্দর অমনা ষ্টেট প্রোটেক্তেদ হিষ্টোরিকেল সাইট অমা ওইরিবা খুরাই অহোংপুংদা লাইশোন-তিনশোনগী থৌরমশিং পাঙথোক্লবা মীয়ামগীদমক নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা হাংদোক্লে হায়রি। অদুবু হেন্না চাউবা মওংগী থৌরমশিং পাঙথোক্লবগীদমক্তদি ষ্টেট আর্কিওলোজিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফিসতগী মাঙজৌননা অয়াবা লৌগদবনি। করিগুম্বা মীয়াম্না য়ানিংলোইদবা মওংগী থবকশিং তৌরবা নৎত্রগা প্রোটেক্তেদ সাইট অসিদা অকায়-অতোয় থোকহল্লবদি মণিপুর এন্সেন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্স এক্ট, ১৯৭৬ অমসুং রুলস, ১৯৭৯গী মখাদা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়রি।

## এম আর লৌথোকউ

ইম্ফাল,জন্যুৱারী ২৪ ঃ মোরেদা মথৌ তৌরিবা ৮শুবা মণিপুর রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা কেম্প ওইদুনা লৈরিবা মফমগী অৱাইমল মতম শাংনা পীথোকপীদ্রে হায়রদুনা মফম অদুদগী এম আরগী পর্সনেলশিং লৌথোক-পীনবা য়ুম্ফুনা তেংনৌপল এ সীগী এম এল এগী খুথাংদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। মোরে ৱার্দ নম্বর-৪, প্রেম নগর মীতৈ লৈকাই, মোরে ৱার্দ নম্বর-৫ মুস্লিম বস্তি, মোরে ৱার্দ নম্বর-৬ নেপালি বস্তি, মোরে ৱার্দ নম্বর-৭ চীংদোং লৈকাই, মোরে ৱার্দ নম্বর-৯গী মীতৈ লৈকাইগী য়ুমশিংদা লৈরকখিবা পর্সনেলশিং অসিগী য়ুম অৱাইমল থা ২/৩গী পীখ্রগা কুমজা ২০১১দগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা পীথোক্ত্রি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## মৈ কোৎলম্বা ফারে

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৪ ঃ মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুশন কনেক্সন লিমির্টেদ (এম এস পি দি সি এল), জিরিবাম দিভিজন্না ঙরাং অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা চথখিবা দ্রাইব অমদা মৈ কোৎলগা থাল্লম্বা মীওই অনী ফারে। এম এস পি দি সি এলগী দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর ( দি জি এম) এম দোরেন্দ্র শর্ম্মানা লুচিংদুনা দ্রাইব অদু চথখিবনি। দ্রাইব অদুদা মৈ কোৎলগা থাল্লম্বদগী ফাখ্রবা মীওই অনী অদুদি হিলঘাট জিরিবামদগী দিনাকুমার অমদি গুলারথোল কৈথেল জিরিবামদগী এল নিলা, অপোকপা লৈখিদ্রবা এল দোনোনি। তুংদা ফারবা মীওই অনী অদুদা জনুৱারি ২৪ ফাওবগী মনুংদা মৈগী অতোনবা শেনফমদগী চাদা ৩০ পিবা অমদি লেমহৌরিবা শেনফম্না ইনষ্টোলমেন্ট ১০ রক্তা মখোয়গী থাগী বিলগা লোয়ননা থিদোক্পা হায়না এম এস পি দি সি এলগা য়ানা চেরোল ইনখি হায়রি।

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ঃ থোইবী মণিপুরী দান্স এন্দ কলচরেল রিসার্চ ইনষ্টিট্যুট অমসুং সাহিত্য থৌপাং লুপ অনিনা খুৎশম্মনা শীন্দুনা মুনিষ নিংথৌজমনা ইবা *ঐ ৱারী লীগে* কৌবা নোবেল লাইরিক অমা ঙসি দি এম কোলেজদা লৈবা দেব লিটরেচর সেন্টরদা ফোঙখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টগী কলচর সেক্রেটরি কে রাধা কুমার, আই এ এসনা চীফ গেষ্ট, জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী হান্নগী দিরেক্টর লোংজম জয়চন্দ্রনা প্রসিদেন্ট অমসুং মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, মেঘলায়াগী প্রসিন্টে রাজমনি নোংথোংবমনা স্পেসল গেষ্ট ওইখি।

## য়ুঠ লিদরসিপ কেম্প লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৪ ঃ ৱেষ্টর্ন ষ্টেন্দর হায় স্কুল অমসুং মৈহৌরোল ইনাৎ থাংতা অপুনবা লুপনা শিন্দুনা নুমিৎ তরেৎনি চথরকপা য়ুঠ লিদরসিপ ট্রেনিং কেম্প ঙরাং লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরমদা লমশাং কেন্দ্রগী হান্নগী এম এল এ এস রাজেননা চীফ গেষ্ট, জিলা পরিষদ অৱাং খুনৌগী এম সনাহনবীনা প্রসিদেন্ট অমসুং অকোম লুপকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রো, টি ঐচ দ্বিজমনিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। কেম্প অদুদা মহৈরোই ১৬০ না শরুক য়াবগা লোয়ননা থাংতা অমসুং যোগনচিংবা কয়া মহৈরোইশিংনা উৎখি।

**GAS TODAY**

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking upto-24/09/14
Valid from-26/08/14. **Stk-612**
Timing-7.30-11 AM

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE**
Serial No. upto-13129-13380
Booking upto-03/11/14
Timing-7.30-10 AM

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking upto-13/10/14
Valid from-04/10/14.
**Stk-DSC-300, DNSC-290**
Timing-7.30-11 AM

**MANIPUR GAS**
Booking upto-23/09/14
Valid from-14/09/14
**Stk-Non-subsidised-313, Subsidised-252**
Timing-7.30-10.30 AM

### ফ্রীদম ফাইটর রানি গাইদিনলিয়ুগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন

# লুপা ১০০ অমসুং লুপা ৫গী নীংশিং শেল পুথোক্নবা শেম-শাবা লোইখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ২৪ ঃ

লোইলম শন্দোকপা বৃটিশকী মায়োক্তা নীংতম ঈহৌ চঙশিনখিবী, মশাগী চহী ১৬ খক্তা শুরকপদা বৃটিশনা ফাদুনা মপুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা থমজিনখিবদগী ইনিদয়ানা কুমজা ১৯৪৭ তা নীংতম্বা ফংলকখিবা মতুংখক্তদা কৈশুমশঙদগী থোক্লকখিবী ফ্রীদম ফাইটর রানি গাইদিনলিয়ুগী ১০০ শুবা মপোক নুমিৎ, জন্যুৱারি ২৬তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লুপা ১০০ চৎপী অমসুং লুপা ৫ চৎপী নীংশিং শেলশিং পুথোক্লগনি।

পুথোক্কদৌরিবা রানি গাইদিনলিয়ু নীংশিং শেলয়েকশিং অদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট মিন্ট, কোলকত্তাদা শাবনি। লুপা ১০০ গী শেল অদু চাদা ৫০ সিলভর, চাদা ৪০ কোপ্পর, চাদা ৫-৫ না নিক্কেল অমসুং জিঙ্কনি, গ্রাম ৩৫ লুমই, এম এম ৪৪ পাকই। লুপা ৫ চৎপী শেলয়েক অদুনা চাদা ৭৫ কোপ্পর চাদা ২০ জিঙ্ক অমসুং নিক্কেলনা চাদা ৫নি। গ্রাম ৬ লুমই অমসুং এম এম ২৩ পাকই।

মণিপুরগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নুংকাও খুনদা কুমজা ১৯১৫ গী জন্যুৱারি ২৬ তা রানি গাইদিনলিয়ু পোকখি। মহাক্না মাগী খুঙ্গং অদুৱাইগী



লুচিংবা হায়পৌ জাদোনাংগা থেননবা মতুং ৰাখল ওনখি অমসুং মকুমজা ১৯২৭ তা বৃটিশকী মথক্তা লালহৌ চঙশিনবা হৌরকখি।

খোঙজং চঙশিনবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ কুমজা ১৯৩১ দা জাদোনাংবু বৃটিশনা ফাখি অমসুং শিবগী চৈরাক পীখি। মদুগী মতুংদগীদি খোঙজংগী থবক পুম্নমক গাইদিনলিয়ুগী মথক্তা তাখি। অদুবু কুমজা ১৯৩২ দা মশাগী চহী ১৬ শুরকপদা গাইদিনলিয়ুবু বৃটিশনা ফারগা মপুক্তি চুপ্পা কৈশুমশঙদা থমজিনখি। ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৪৭ তা বৃটিশকী খুৎতগী নীংতম্বা ফংলবা মতুংখক্তদা গাইদিনলিয়ু কৈশুমশঙদগী থোক্লকখি।

রানি গাইদিনলিয়ুনা নাগা লালহৌবা নাগা নেসনল কাউন্সীল (এন এন সী) গী মায়োক্তা ফাওবা রেজিষ্টেন্স মুভমেন্ট চংশিনখি। মদুনা মরম ওইদুনা মীরোৎ ওইখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা রানি গাইদিনলিয়ুবু কুমজা ১৯৯৩ দা ইজৎ লৈরবা পদ্মভুষন পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

# ফংখিবা শরু -শয়াংশিংগী লীখুন পুথোক্লবা চীফ মিনিষ্টরগীদা থোমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৪ (ঐচ এন এস)ঃ হান্নগী এসেমব্লি কমপ্লেক্সকী মায়োক্ত বদা লৈরিবা তোম্বীস্না হায়স্কুল শিদোক্লগা অনৌবা কৈথেল শানবা লৈবাক তৌবদা মীওই ৮ গী কোক্কী তুম্বা য়াওনা ফংখিবা শরু শয়াংশিংগী মশক খঙদোক্লবা অমদি অচুম্বা ৱায়েল চথদুনা থিদোক্লবা ঙসি নুংথিল লুপ কয়ানা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিন্নবা থোমজিল্লকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিন্নবা থোমজিল্লকখিবা কম্মিটি ওন মাস গ্রেভ এট তোম্বীস্না হায়স্কুলনা শিন্দুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমসু কৈশাম্পাৎ য়ুমজাও লাইরেম্বী কম্যুনিতি হোলদা ফমখি। মফম অদুদা মীয়ামগী খন্ন নৈনবা অমসু পাঙথোক্লবা তুংদা নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিন্নবা খোঙচৎ অমা চৎপা হৌরকখি।

চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলো তম্না লাকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদুনা নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি ওফিস মপা য়ৌরকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা থৎখি। পুলিস অমদি মীয়ামগী মরক্তা ঙাইহাক ইন্থোক ইনশিন তৌনদুনা লৈখি। মীয়াম অদুনা পুলিসকী অথিংবা নমখায়দুনা চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলো তম্না খোঙচৎ চৎনবা হোৎনবদা অরেম্বা তাখি। খুদক্তা পুলিসকী অহেনবা কাঙবু চঙশিল্লক্তুনা মখা তানা খোঙচৎ চৎপা ঙমহনখিদে। তুংদা পুলিসনা কম্মিটিগী কনভেনর ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা লুচিংবা কাংবু অমা সি এম বঙ্গলো তম্না মেমোরেন্দম পীশিন্নবা চৎহনখি। কম্মিটিগী মীহুৎশিংনা নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা চীফ মিনিষ্টর উন্নদুনা ৱাফম ৫ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মরু ওইবা ৱাফম মঙা অদুদি তোম্বীস্না হায়স্কুলদগী ফংখিবা শরু শয়াংশিংগী অচুম্বা ৱায়েল চথনবা অখন্নবা কম্মিসন অমা শেম্বা, কম্মিসন অসিদা লিগেল এক্সপার্ট, ফোরেন্সিক এক্সপার্ট, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরস, এন্থ্রোপোলোজিষ্ট অমদি সিভিল সোসাইটিগী লুচিংবশিং য়াওহনবনি। স্কুল অদুগী কমপ্লেক্সতা খুদক্তগী থবক শুবা থিংবা, ফংলিবা শরু শয়াংশিং নিংথিনা থম্বা, সেক্যুরিটি ফোর্সনা মাঙহনখ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু অমসুং মণিপুরদগী অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোকউ হায়বসিনি।

সি এমদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দমদা পল্লিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগে হায়না থাজবা পীরক্লে হায়না কম্মিটি ওন মাস গ্রেভ এট তোম্বীস্না হায়স্কুলগী কনভেনর ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ৱাথোক অসি থিজিন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সি বি আইদা শিন্নবা পামদে। সি এম ইবোবীনা মীয়াম্না পামদ্রবদি খন্নগনি হায়রক্লে করিগুম্বা তল্লিবা দিমান্দ পীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়খি।

## রিপব্লিক দেদা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ ঃ য়ু আর এফ (এস) না ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে জান্যুৱারী ২৬ বোয়কোট তৌবগা লোয়ননা থা অসিগী ২৫ গী অহিং নোংয়াইদগী থাসিগী ২৬কী অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক পাঙথোক্কনি হায়না লূপ অসিগী চেরমেন শিলহৈবা মৈতৈগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর অসি মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈজরম্বগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়াম খুন্নাই অসিসু মরৈবাক্কীদমক থৱায় কথোকপদা পান্মুদবা, বৃটিশনা ফাওবা ইকাইখুম্নবা খুন্নাই অমনি। অদুবু ঙসিদি ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখ্রবা মতুংদা মনিং মখা তম্বা লৈবাক অসিবু মাঙহনবদা নৎতনা ইন্দিয়া, বর্ম্মা অমদি বাঙ্গলাদেশতগী চঙশিল্লকপা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা খুন্নাই অসিবু মাঙহন্নবা ইনিদয়ানা হোৎনরি। মালেমগী লৈবাকশিংদা ইন্দিয়া অসি রিপব্লিক অমনি, দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়জরবসু ঙসিদি ষ্ট্রোং ওথোরেটিব লিদরশিপশিংগী মখাদা লৈবা রিপব্লিকনি। মরম অসিনা নুমিৎ অসিদা ইন্দিয়া মনুংদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ৮৪ দা বোয়কোট তৌগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াদা তিল্লুবদগী ঙসিদি মণিপুরীশিং অসি য়াম্না পীকপা লায়রজবা ফুরুপ অমা, হিংননবগী লানফমদা লাম্থেংনরিবা ফুরুপ অমা ওইনা উহল্লে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা য়ু আর এফ (এস) না মীওই লাখ কয়াগী মরাইবক লেপ্পদা শরুক য়াজবা ফংজবদা লূপ অসিগী য়াওল লান্মী খুদিংমক্কা চাওথোকচৈ। অচৌবা মীওইশিংদি মশাগী নেসনবু কঞ্জনবা হোৎনৈ হায়রি।

# মমা ২না মপা অমত্তগী মচাশিং নাওয়োকপদা খেন্নবা উৎলিবা লীলা *ইমাগী লমন* উৎখ্রে

নোমিতা খোংবানতাবম

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪ঃ

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কউন্সিলনা শিন্দুনা কোনুং মমাঙদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চথরিবা ১১ শুবা শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ ফেষ্টিবেলগী ঙসি তরানি চনবা নুমিত্তা লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসি-এসনগী লীলা ইমাগী লমন উৎখ্রে।

লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী "ইমাগী লমন" মীংথোনবা লীলাগী অইবনা লোয়ুম্বা মোইরাংথেমনি। লীলাসিবু লমজিং লমতাকপনা নরেন্দ্র নিঙোম্বমনি। ম্যুজিক দিরেক্টরনা বেদজিৎ, ঈশে ময়েক ইবনা মনাওবী এমএম অমসুং সুর পানবনা দিনেস অমদি রোবার্টনি। লীলাসিবু পুথোক্লিবনা এল বোইনি।

ইমাগী লমন মীংথোনবা লীলাগী ৱারীদা ইনাক খুনবী নুপী লৌবা ওফিসার অমনা মহাক্না পোষ্টিং তাবা খুঙ্গং অমদা লৈবী লুখ্রাবী অমগী মচা নুপীগা নুংশি মরি থম্নখি। খুঙ্গংগী লায়রা নংনা লৈজবী লুখ্রাবী মমা মচাগী য়ুমদা ওফিসারদুনা চঙথোক চঙশিন তৌবা অমদি ওফিসারদুগী ক্বাটরদা মমা মচানা চঙথোক চঙশিন তৌবদা লৈকাইগী মীৎয়েং চঙবা হায়বসি হৌনশানি। অদুগীসু মথক্তা লৈশাবীদুবু পামজবা পাখং খুঙ্গংদুদা লৈতবা নৎতে।

ওফিসারদুনা নুংশিজবী খুঙ্গংগী লৈশাবীদুবু তঙায়মক ফন্দনা লৈকাইদুগী অহলশিং খরা পুল্লগা খুরুমদুনা মাগী নুপী ওইনা শকখঙনবা থৌদাং লৌখি। ওইরিবা ফিভম অদু ওফিসারগী নুপী অহলসু খঙখি। নুপী অতোনবী অদু নাওপুরকপদগী ওফিসার অদুনা ডোক্তরদা পুরুরবা মতুং ময়ুমদা পুরকখি। নুপী অহলগী লুজদবা খোন দাদগী অতোম্বীদু থৌনা অমগা লোয়ননা মচাগীদমক্তা খল্লগা য়ুমদুদা খোঙ্গুল তাদনবা ৱারেপ লৌখি।

নুপী অহলগী মচা নিপা অনি অমসুং নুপী অতোম্বীগী মচা নিপা অমা লৈদুনা মচা মচাশিং চাওনবা য়োক্লরকখি। মমা মপা শুনা নাওয়োকপা নুপী অহলগী মচাশিং ফওবা ওইদুনা মপুন্সি মাঙখি। মপা য়াওদনা নাওকোনবা অতোনবী নুপীদুনা শিংনবনা মাঙ থারগা হুমাং মমলনা মচাবু শেমজখিবগী মহৈনা এম সি এস খল্লকপগী ৱারিদা য়ুমফম ওইবা লীলানি।

লীলাসি ইমুং অমগী ৱারিদা শাগৎতুনা নিপা অমনা নুপী অনি লোনবগী ফিভমদু উৎলি।

লীলাসিনা পীনিংলিবা পাউজেলদি নুপী অতোম্বী ওইজরবসু থমোয় পাল্লি, কথোকপা ঙম্মী হায়বদু উৎলি। মপা য়াওদনা নাওকোন্দুনা কনাগী মতেং লৌদনা মচা য়োকপা ঙম্মী অমদি মচাবু লাইরিক হৈবা অচৌবা থবক পায়বা মীশক অমা ওইহন্নবা মমা অমা ওইনা লৌরিবা থৌদাং অদু মীয়ামদা উৎতুনা পাউজেল পীবনি।

অরং অরাক্তা তাওদুনা অৱাবা খঙদনা হায়না হুম্না পাল্লকপী মমা অমনা মচাশিংবু অৱাবা লৈহন্দনা, মচাশিংনা হায়বদা য়াদুনা লাকখিবা মচাগী ফওবা লীচৎকী মহৈ মমানা খক কনবা ঙমদে হায়বদুসু উৎলি। লীলাগী মপুথোক মফোঙদোক্তা মীয়মু শুমহৎপা ঙম্বা লীলা ওই। লীলাগী খোঙজেল য়াংনা চৎলি। শরক শিহন্দনা আর্টিষ্টকী মগুন ফোঙদোক্লা লীলা শান্নে। ইচঙ থৌবা আর্টিষ্টকী মফোঙদোক্তা পীরিবা করেক্টরশিং মায় পাক্লা চৎলি। মতীং লৈবা লীলা ওইবা মরম্না লীলাগীদমক্তদি মায় পাক্লা চৎলে।

লীলাসিদা শক্তম লাংখিবশিংদি নিপাগীদা প্রধান লৈরেনগী শক্তমদা ককচিং বীরমঙ্গোল, কৌরৌ হনবগী শক্তমদা তোনজম হেমলেট (নোংশাবা), ওফিসার চীংলেনগী শক্তমদা দেনি লীকমাবম, ইবোচৌবগী শক্তমদা লোকেন, সনা মনিগী শক্তমদা কেন অমসুং ইবোতোম্বগী শক্তমদা পুরনান্দনা করেক্টর পুখি।

নুপীগীদা কুশুমগী শক্তম লাংখিবা এল, বোই, তবাবীগী শক্তমদা সুরেন্দ্রো, টৈনদেনবীগী শক্তমদা ঙম্বা অমসুং ফজবীগী শক্তমদা থোইনা করেক্টর পুখি।

নিপা খোঞ্জেলদা নাওচা অমসুং নুপী খোঞ্জেলদা নবাকান্তনি। পেদ ড্রমদা বেদাজিৎ, কিবোর্দতা বোবী, তবলাদা তোম্বা, গীটরদা লোকেন অমসুং বাঁসিদা শন্তিন চীংবনা লীলাগী তন্থা পীদুনা মতেং পাংখি।

শুমাং লীলা নীংথম কুমহৈ ফেষ্টিবেলগী হয়েং ১১ নি চনবা নুমিত্তা তোমথিল আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী "অরংবা থৱানমীচাক" মিংথোনবা লীলা উৎকনি। লীলাসিগী অইবা হেমন্তানি। লমজিং লমতাকপনা লাই ইবোতোম্বীনি।

# য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং ফেব্রুৱারি থাদগী ষ্টেটসিদা মথং মথং লাক্কুনা য়েংশিল্লগনি ঃ বি জে পি

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ লিলোংদা লম্বী পাকথোকউ হায়বা দিমান্দদা খোঙজং চংশিনবা মীয়াম্বু কন্ট্রোল তৌরিবনি হায়দুনা পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্পদা মহৈরোই অমা শিখিবা অমদি কয়া অমনা শোকহনখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা জুদিসিএল ইনক্বারি তৌগদবনি হায়না বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চাউবনা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুরগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা পার্টি প্রসিদেন্ট টি ঐচ চাউবনা হায়খি, লিলোংদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থিবনি। লম্বী শেম্বীয়ু হায়না চাওখৎ থৌরাংগীদমক দিমান্দ তৌদুনা মীয়ামনা খোঙজং চংশিনবদা কন্ট্রোল তৌনবনি হায়দুনা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মহৈরোই শিবা হায়বসি কন্দেম তৌই। থৌদোকসিগী মতাংদা জুদিসিএল ইনক্বারি তৌফম থোকই।

ষ্টেটসিদা ইন্টিলিজেন্সসু কোলাপস ওইরে। মফম কয়াদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক ইতৎ তত্তনা থোক্লি। ওইরিবা ফিভম অসিদা মীয়ামদি অৱাবা মায়োক্লরে। হিরমসিদা গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙফম থোকই। লিলোংদগী ৱাইথৌ ফাওবগী লম্বী পাকথোক্তুনা নিংথিনা শেম্মু হায়না খোঙজং চংশিল্লিবা অসিদসু গভর্ণমেন্টনা নিংথিনা ৱারি শাদুনা কনভিন্স তৌবা দরকার ওই। লম্বী মতেক অসি দাইভর্ট তৌখ্রদরা হায়বগী চীংনবসু মীয়ামদা ফাওনরিবনি। হিরমসিগী মতাংদসু গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চংবা দরকার ওই হায়না ফোঙদোকখি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টনা মখা তারদুনা হায়খি, ফেব্রুৱারি অহৌবা চয়োলদগী মণিপুরদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়া মথং মথং লাক্কদৌরি। সোসিএল জষ্টিশ মিনিষ্টর থৱরচান্দ ঘেলোটসু ষ্টেটসিদা লাক্কুনা অঙ্গনৱাদিনচিংবা কয়াগী মতাংদা য়েংশিনগদৌরি। রেলৱে মিনিষ্টরসু লাক্কনি খঙহল্লক্লে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা ষ্টেটসিদা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়া য়েংশিনগদৌরি। থবক নীংথিনা পায়খৎলমদবশিংদি মখা তানা শেল থাদরোইদৌরি। য়ুটিলাইজেশন সার্টিফিকেট পীবা ঙমদবশিংগীদি অৱাবা ওইগদৌরি। থবক ফজনা তৌবশিংগীদি শেলগী অৱাৎপা লৈরোই, লেপ্তুনা থাদরক্কনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়াগসু উন্দুনা ৱারি তান্নরক্লে। ষ্টেট অসিগী চাওখৎ থৌরাং কয়া য়েংশিনগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। পুলিস মোর্দনাইজেসনগী মখাদা পায়খৎখিবা থবক থৌরম কয়াসু য়েংশিনগদৌরি। মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট কয়াগী চাওখৎ থৌরাং কয়া বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলক্কদৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

## শিন্মী ৩ ফাখিবদগী...

*লামায় ১গী মখা...*মতিক চানা পায়বা মীওই মঙা লাক্লগা নোংমৈ চিংদালদা ফারগা পুখিবনি। বেজ কেম্প অসিদি আই আর বিগী পর্সনেলশিংনা ঙাক-শেল্লি।

শিন্মীশিংনা থবক শুরিবা লম্বী অমদি নুঙ লৌফম অমসুং নুঙ চপখায়ফম সারম পাতোংগী মফমশিংসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কমান্দোগী পর্সনেলশিংনা ঙাক-শেনবগী থৌদাং লৌরি। মখোয়গী ঙাক-শেন্নবা থল্লিবা পর্সনেলশিং লৈতবা অচেংবা তাঞ্জা লৌরগা মখোয় অহুম ফারগা পুখিবনি। মখোয় অহুম হেক ফাখিবগা পুলিস কমান্দোশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। অদুমকপু পাউ পীরকপা মতম থেংমনখিবনা মরম ওইরদুনা মী ফাবদা চেন্নরিবশিং অদু তান্নবা ফংখিদে হায়রি।

## ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং চুড়াচান্দপুরদা...

*লামায় ১গী মখা...*তৌনবা থাখিবনি হায়রি।

অদুমকপু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ময়াং লাংজিংদা লৈবা মীওই অমনা লোইবা হূই অমদি রেবীজ লায়না নারমদ্রে। হূই অদুগী ব্রেন সেম্পল টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট নেগেটিব ওইরমখি হায়নসু ওফিসল অদুনা পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা রেবীজ লায়নানা নারবা হূইশিং অদুগা তোৎনা তিন্নরুবা নৎত্রগা চীক্লরুবা হূইশিং লায়না অসি শন্দোক্লম্বা য়াবগী অকিবা লৈ। ঙসিসু অতোপ্পা হূই অহুমগী ব্রেন সেম্পল লৌদুনা টেষ্ট তৌনবগীদমক কর্নাতাকাদা থানবা থৌরাং তৌরি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু হূইগী ব্রেন সেম্পল মঙা থাখিবা লৈখ্রে। মদুগী রিজল্টদি হৌজিক লাক্ত্রি।

চুড়াচান্দপুরগী মফম কয়াদা হূইনা মী চীকপগী পাউ হেক ফংবা নুমিৎতগী হূইশিং লেপ্তুনা এন্তি-রেবীজ হীদাক কাপ্পগী থবক চথরি। হূই ঙাওরক্তুনা মী চীকপা থোক্লবদি হূইদু হাৎলোইদবনি। নুমিৎ ১০নিদগী ১৪নি ফাওবদি ফাজিন্দুনা থমগদবনি। মতম অসিদা হূইদু শিরবদি লেবোরেটরিদা টেষ্ট তৌবা মথৌ তাই। রেবীজ হায়রিবা লায়না অসি রেবদোভাইরসনা থোকহনবনি।

ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট খূদিংদা হূইশিং এন্তি-রেবীজ কাপ্পগী থবক লেপ্তুনা চথরি। করিগুম্বা হূই ঙাওরকপগী মওং উরবদি অথুবদা ভেটেরিনরি ওফিসতা পাউ পীবা তঙাইফদে। মোবাইল টিম কয়া শেমদুনা পাক-শন্না হূইদা হীদাক কাপ্পগী থবক চথরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# লম্বী চখোক-চৎশিন্দা অহোংবা লৈরগনি

ইম্ফাল,জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস)ঃ রিপব্লিক দে থৌরমগা মরী লৈননা থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরবা থৌরমগী য়েংলগা মীয়ামগী লম্বী চখোক-চৎশিন্দা অহোংবা খরা লৈরগনি হায়না ট্রান্সপোর্ট দিরেক্টোরেটনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ট্রান্সপোর্ট দিরেক্টর এম লুইখমনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না জন্যুৱারী ২৬তা সিংহ এন্দ কো, মোইরাংখোমদগী অৱাংলোমদা ভি আই পিশিং অমসুং ইনভাইটিশিংগী গাড়ী নত্তনা অতোপ্পা গাড়ী চঙবা য়ারোই। কৈসাম্পাৎতগী খ্বাই বাজার, মহারানি থোং, দুকান্থোং, বাবুথোংদগী বাজার, খুয়াথোংদগী বাজার, খুয়াথোংদগী অৱাং এ ও সী অমসুং শঞ্জেন্থোংদগী জেনরেল পোষ্ট ওফিস/নিত্যাইপাৎ চুথেক অমসুং কৈসাম্পাৎলোমদা চৎপা য়াররোই হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, নেসনল হায়ৱে-৩৯, ইন্দো-বর্মা রোদ, ন্যু কছার রোদ, কাংচুপ রোদ, টিদ্দিম রোদতা খা মায়কৈরোমদগী অৱাংলোমদা ৱান-ৱে ট্রাফিক লৈগনি, অৱাংলোমদগী খা পাংনা গাড়ী অমত্তা লাকপা য়াররোই।

থৌশীল অসিগী মতুং ইন্না ইন্দো-বর্মা রোদতগী খারোমদা লাকপশিং শিংজমৈ থোং অমসুং ন্যু থম্বুথোংদগী কোংবরোমদা চঙলগা পেলেস কম্পাউন্দদা খামগনি। ময়াং ইম্ফাল রোদতা লাকপনা কৈসাম্পাৎ জঙ্কসনদগী হান্নগী কৃষ্ণদাস ওইল পম্পলোমদা পেসেঞ্জর থাবা নৎত্রগা হাপকৎপা য়াই অমসুং ক্বাকৈথেল, নিংথেমচা কারোং নৎত্রগা খাগেম্পল্লি লম্বীদা চৎখিগদবনি হায়রি।

নেসনল হায়ৱে-৩৯দা অৱাংলোমদগী লাকপা গাড়ীশিং চীংমৈরোং খোঙনাং অনী কারক ফাওবা লাক্লগা খুমন লম্পাক বস টর্মিনসলোমদা লাক্কদবনি, ট্রকশিংনা অৱাং এ ও সীদগী মিনুথোং, আর দি এস ক্রোসিং, কোংবা রোদলোমদগী ন্যু থুম্বুথোং অমসুং শিংজমৈ থোংলোমদা লাক্কদবনি।

টিদ্দিম রোদতা বস অমসুং ট্রকশিং, ক্বাকৈথেল বাজাররোমদগী তেরা বাজার, নাওরেমথোং, উরিপোক কান্টিন লম্বী, লম্ফেল সুপরমার্কেটলোমদা চৎকনি অমসুং ৱাথম লৈরক, থাংমৈবন্দ রোদ, নাগামপাল, ৱাহেংবম লৈকাই, কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনলোমদা লাক্কনি। কাংচুপলোমদগী লাকপা গাড়ীশিং ফ্লাইওবর ব্রিজ লোইশিল্লকপা কাংচুপ রোদকী অৱাংথংবা নাকন্দা থাগনি হায়রি।

## কার্ফিয়ু মনুংদা লিলোংদা ...

*লামায় ১গী মখা...*অদুবু পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্না অকনবা মওংদা কন্দম তৌখ্রে।

হট্টা গোলাপতিদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট এম এ ৱাকিল্ল অনসারিনা হায়খি, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিদা মীয়ামগী মশাগী রাইট তানবদা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট ফোর্সশিংনা অফস্পাগী মরুমদা চথরিবা লিচৎ অসি ঙসি ঙরাংতগী নত্তে। মসি লমদমসিদা লিশাং শিৎনা চথদুনা লাক্লি। মীয়াম্বু করিসু লৈতনা উরিবা পুলিসকী থৌওং অসি ওর্গনাইজেসন অসিনা কন্দেম তৌই। মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোক্তনবা মী হাৎপদা চেন্নরিবা পর্সনেলশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎতবা তারবদি ওর্গনাইজেসন অসিনা তুমিন্না লৈথোক্লোই।

অমরোমদা, লিলোং য়ুনাইটেদ পোলিটিকেল লিঙ্কনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ৬০গী মনুংদা লিলোং এ সীনা হিরম খূদিংমক্তা শোত্থনা অমদি চাউখৎতনা লৈরি। কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিগী লম্বী-থোং, অনা-লায়েংশঙ, মৈ-ঈশিংনচিংবা হিরম খূদিংমক্তা অতোপ্পা মফমগা য়েংনবদা শোত্থরি। শোত্থরিবশিং অসি মেনখৎহনবা ওইনা লিলোংদগী ৱাইথৌ ফাওবগী কিলোমিটর ৪ রোম শাংবা লম্বী অসি চাউথোকপীয়ু হায়না লৈঙাকপশিংদা কয়ারক হন্না হায়জখিবা লৈখ্রে। মখোয়না তাবিমন্দবদগী অকক্লবা মতম অমা পীরগা থা অসিগী ২৩দগী মতম কক্তবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বন্দ হৌখিবনি।

অৱাৎ-অপানা থল্লবা এ সী অসিগী মীয়াম্না করি পাল্লি হায়বদু পুন্না ফম্মিন্নদুনা, তাথোক-তাশিন তৌনদুনা, পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দবা য়ারম্বদু এম এল এ অব্দুল নাসিরনা নাথৈদুনা থমখিবদগী ঈৱাং থোরকপনি। বন্দ শৌগৎপা মীয়ামদা খুৎ থানবা পাউতাক পীখিবা মতুং ইন্না মহৈরোয় অমা শিখিবনি। অদুগা অতোপ্পা অহুম্না লায়কন্নদুনা লৈরিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়া পূম্নমক্কী ওইনা ফোর লেন ওইহন্নবা শেল্লকখিবা লম্বী অসিবু লিলোং য়ৌরকপদা খঙপীক পীকশিনখিদুনা নেসনল হায়ৱেগী মহুত্তা ষ্টেট রোদ ওইনা উরক্লিবসি এ সী অসিগী মীহুৎ ওইরিবা অব্দুল নাসিরগী করম্বা মীৎয়েংনো? মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী অয়াবা লৌরিবা টেন্দর প্রোসেস অসি ফেব্রুৱারী ২ দা হাংগনি হায়রিবসিনা তাকপদি হিরম অসিগী মতাংদা মীহুৎ অসি হকথেংননা চেন্নে হায়বা তাবনি হায়নসু মরাল শীরক্লি।

## সী এম ঃ লম্ফেলদা লৈবা...

*লামায় ১গী মখা...* লৈবাকসিগী পোলিসি চাউখৎনবা শেম্বা য়াওরক্কদৌরিবনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা হিরম কয়াদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎনবা মীৎয়েং থল্লি। লাইরিক-লাইশু হৈরবা থবক ফংদ্রিবা নহা কয়া করম্না থবক পীগনি হায়বসিসু মরুওইবা হিরম অমনি। ইঞ্জিনিয়ার তম্বা লোইরবা অমদি কোর্স কয়া তম্বা লোইরবা নহা কয়া লৈরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টগী ৱারোল পীরদুনা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়খি, ঙসি শঙ্গারিবা সেক্যুর ওফিস কমপ্লেক্স অসি মতমগা চুনবা মওংদা শারে। ফজরবা বিল্ডিং অসি তুং কোয়না নীংথিনা লৈনবা চেকশিন্না শীজিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয় পূম্নমক্কী লননি খন্না য়াম্না লু-নান্না শীজিন্নসি। মতমগা চুনবা অমদি লু-নানবা ওফিস শেমগৎলিবসি থবক শুবদা নুংঙাইনবনি। ওফিসকী ষ্টাফ কয়া নুংঙাইবা চৌক্রিদা ফমহল্লিবসি কুইনা থবক শুবদা খুদোংচানবনি। গাড়ী কয়া পীরিবসি মতম চানা থবক লাক্লুবনি খনগদবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম দি এসকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর নিংথেমনা হায়খি, সেক্যুর ওফিস কমপ্লেক্স অসি এম দি এসনা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সী ওইদুনা শাগৎপনি। এম দি এসনা শাখিবা থবক খরা পল্লবদা এম এফ দি সী ওদিটোরিয়ম, লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম, খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মগী আর্টিফিসিএল টর্ফ থাবা অমদি অতৈ কয়া লৈরি। থৌরম অদুদা পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর আই হেমোচন্দ্র অমদি চীফ সেক্রেটরি পি সী লমকুঙা শরুক য়াখি। ঙসি শঙ্গাখিবা সেক্যুর ওফিস কমপ্লেক্স অসি এম দি এসনা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সী ওইরগা কুমজা ২০১২-১৩গী স্পেসল প্লান এসিষ্টেন্সকী মখাদা পায়খৎখি। ইমপ্লোয়ীশিং থবক তৌবদা অয়েৎ-অপন লৈতনবা অমদি থবক শুবগী নুংঙাইবা ফীভম ফংহন্নবগী মওংদা কমপ্লেক্স অসি শেমগৎপনি।

**VACANCY**

Multinational company with fastest growth requires business associates for expansion in Manipur and NE Region,

| Position | Qualification | Vacancies | Earnings p.m. |
|---|---|---|---|
| 1. Div.Managers and Above | Graduate | 2 | Rs. 30,000 |
| 2. Asst. Manager | XII Pass | 5 | Rs. 20,000 |
| 3. Company Executive | Min.X Pass | 11 | Rs. 7,000 |

Probationary period of minimum 6 months required during which candidates can *earn* Rs. 200-Rs. 1000 everyday as remuneration + Free accommodation for outstation candidates.

Interview today between 10.00 a.m. to 4.00 p.m.

*Contact :* **Tycoon Max**
*Near Punjab & Sind Bank, Khongnang Karak, Chingmeirong*
*# 8730832333*

HL-P/2699/13,15,17,19,21,23,25,27,29,31,2,4,6,8,10,13,14,15

## ঙসিগী রাশি ফল

**অইবা ঃ থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।**

তাং২৫-০১-২০১৫,নোংমাইজিং, ফাইরেনগী ৬নি পানবা নুমিদাংগী পুং ১২.২৭ তগী ৭ নি পানবা, য়োগীনি মায়কৈদি নোংচুপ, নুমিদাংগী পুং ১২.২৭ তগী কৌব্রু

***মেষ ঃ*** কান্নজবা, ইকাইবা নংবা লৈ, অকি-অখং লৈগনি, ইমুংদা নুংঙাইজবা পীবা ওইরে।
ললোল ইতিক ঃ চাউখৎপা লৈ, অনৌবা থবক কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ ৱাখল চান্নবা নুংঙাইবা মতাংনি।
হকচাং ঃ শীংলি নাউরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।

***বৃষ ঃ*** কান্নবা ৱাৎপা মতাংনি, লাংতক্লবা শাউনিংবা য়ামগনি, খরা চেকশিন্না চৎপা ফৈ।
ললোল ইতিক ঃ লমগী থবক্তা কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ য়েংশিনবা য়াম্মী, নিংবদি থুংগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

***মিথুন ঃ*** শাউনীংবা পীবা, চরাংনবা লৈ, য়েংশিনবা য়াম্বা ওইরি,কান্নজবদি লৈগনি।
ললোল ইতিক ঃ অরংবা সনাগী থবক কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ নিংবা থুংগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী, খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা-চন্দন।

***কর্কট ঃ*** ঙমদবা থবক ঙমজবা, মরুপ য়াম্বা, মীয়াম্না নুংশিবীবা লৈ।
ললোল ইতিক ঃ অরংবা, অকে অমৌগী থবক কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ শাউনবা পামদবা মীওইনা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
হকচাং ঃ মীৎ, কোক, মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

***সিংহ ঃ*** নুংঙাইবা পাউ লৈগনি, চরাংনবা লৈ, ইচিল-ইনাউ শাউনবা শেল চৎপা লৈগনি।
ললোল ইতিক ঃ ফিরোল, অরংবা পোৎতা কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ শাউনিংবা পোকহনবা পুক্লিং লাংবা লৈগনি।
হকচাং ঃ থবাক, মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, ঘী।

***কৈন্যাঃ*** মীগা মুক্লনীংবা মতাং ওইরি খরা চেকশিন্না চৎপা ফৈ, লমদা চৎপা লৈ।
ললোল ইতিক ঃ শেল, সনাগী থবক কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ শাউনবা লৈ, পুক্লিং তপ্লা চৎপা ফৈ।
হকচাং ঃ মীৎ, মৈদগী শোকপা নাবা মতাংনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, থোইদিং অঙৌবা।

***তুলা ঃ*** মিপাইবা ফাওবা, থবক অনীরক হনবা মতাংনি, শেল চৎকনি, তপথবীয়ু।
ললোল ইতিক ঃ মৈগী, হীদাক লাংথক্কী থবক কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ, খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙাঙবা।

***বৃশ্চিক ঃ*** ইমুংদা শাউনবা লৈ মরী মতা মথক থোংবগী কান্নজবা মীগা মুক্লবা লাক্কনি পুক্লিং তপথবা ফৈ।
ললোল ইতিক ঃ চাউখৎপা হেঙ্গৎপা লৈগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ চান্ন চিন্নগনি, ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ য়াংলেন, খ্বাঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

***ধনু ঃ*** চৎপনা হেল্লকপা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি, মীনা থাজবা ৱাৎকনি।
ললোল ইতিক ঃ শেল, সনা-লুপাগী থবক কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ অনীংবা মঙফাওনবা মতাংনি।
হকচাং ঃ ফিরাক, পুক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ হৱাই মুক, ঘী।

***মকর ঃ*** খঙহৌদনা অহোংবা লাকপা, লমদা চৎপা, শেল চৎকনি, মীনা শন্নান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
ললোল ইতিক ঃ লাকপগা চৎপনা হেনগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ ৱাঙাংদগী অকায়বা লাকপা লৈ, চেকশিনবীয়ু।
হকচাং ঃ মৈগী অকিবা লৈগনি খরা চেকশিনবীয়ু।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

***কুম্ভ ঃ*** মীনা ঙাঙবা তানিংদবা করিসু নৎতবদা শাউনিংবা থবক্লা য়াম্বা তৌবদি ঙমদবা ওইরি, পুক্লিং তপথবা ফৈ।
ললোল ইতিক ঃ অরংবা সনা-লুপাগী থবক কান্নজগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ মরুপ্না য়েংশিনবা, মীৎয়েং চঙবা লৈগনি।
হকচাং ঃ মীৎ, উনশাদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

***মিন ঃ*** মীনা তাথিবা, লন লেপ্পা ঙম্বা লৈ, তৌরুবা থবক্তা চাউখৎপা লৈগনি।
ললোল ইতিক ঃ হীদাক, অচা-অথক্কী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ ৱাখল লোংবা মতাংনি।
হকচাং ঃ পুক, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা , লৈ হিগোক।

**কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।**
**যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।**